# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-6

(The Science/Phenomena of Global Warming)

***Script :***

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) খোমৈ (গোভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়ি) (২) মংলেম (এসোসিয়েট প্রোফেসার) (৩) সনায়াইমা (পাখং)

নুপী:- (১) ইবেসনা (খোমৈগী নুপী) (২) লাংলেনসনা (মংলেমগী মচলনুপী)

(মফম: খোমৈগী য়ুম, মতম:- নুংশা খরা খরা শাগৎলকপা মতম)

খোমৈ :- ঙসিদি য়াহৌসু খরা থেংদোকখরে... খবরদুবু কদায়দা লৈখ্রজাৎনোনে, পীরমদ্রব্রনে ... এ ! কচিনসিদা সুপচিল্লগা তা লৈরেনে তৌরিসে, ঙসাইখৈ কনামতনা উদজাৎলনে ... উম করি করি পাওবু য়াওরিবা, মথোং চাবা নাতৈ চাবা অমতা য়াওরম্মোই তৌরিসে ... (খবর পাবা) ঙসি লৈবাক্কী মফম অয়াম্বদা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দে গা মরি লৈননা উ চারা ময়াম থাখ্রে ... এ ! সিদি অফবা থবক্লিনে, অদুবু থারিবা উ চারশিংদু ফজনা হৌননবা শেন্বী শাবীদুনা ঈশিং চাইবিদ্রবদি অরেম্বদা অদুম কংদুনা মাংখিনি, সিদা অমুক য়াওরিসিনা করি ... হৌজিক ভারতকী ষ্টেট অয়াম্বদা কা হেন্না শাবগী অৱাবা মায়োক্লুরি, রাজষ্ঠানগী মফমশিংদদি সেলসিয়স ডিগ্রি ৫০ গী মথক্তা শারে। ইস ! ইমায়পেম্মা, ইমায়পেম্মা ওন্থোক্লা শারম্মনিদা, মফমদুদা লৈরিবা মীওইশিংদি লন্বী শড়ক থোকপবু ঙল্লমখিদ্রা?

ইবেসনা :- কৈনো মুরুম মুরুম শোন্দুনা লৈবিরম্মীদুবু? সে, চা সিদা লৈরে, বিস্কুটসিসু সিদা থম্মগে।

খোমৈ :- মালেম পৃথিবী অসিদা শাবগী চাংসে অসুম অসুম হেনগৎলক্লি।

ইবেসনা :- হায়গুম্মদনা ঙসি নোংনিসে ঐখোয় স্বাইদসু ওন্থোক্লা শাখ্রে শাখ্রে, লৈফম চাফমগা অমতা খঙদরে, ফেন হুম্মিদুঙাই ইংবদি লায়রদনা অশাবা নুংশিৎ ওইনা হুমলকপগুম তৌরে।

খোমৈ :- ইবেসনা নঙগী চাসে ঙসিদি হাওইনেহে, লৈহৌদ্রবরো, লৈহৌরদি খরা হৈরকউদনা।

ইবেসনা :- কৈনো চা য়াম্না থকপা ফৎতে হায়রগা, অমুক হৈরকউ হায়রিসিবো।

খোমৈ :- নোংফাদোক খরা হেন্না থকপবু কৈদৌই হায়গে, শিদৌ থৱাইনি, হিংলিঙৈ চানিং থক্লিংবা ফাওরিঙৈ মতমদা চাহৌ থকহৌগদবনি কৈনো, হয়েং শিরকান্দা অমুক হন্না থক্কে চাগে হায়রগদবসু নত্তবদুবু।

ইবেসনা :- অস ! শিবগী ৱাদো পল্লক্কনুবা, তাবা য়াম তল্লি, শৌবিং শৌবিং লাওই, সে ঐগী চা শরুকসিসু থকচিনবীরো, ঐ কোন্না থল্লুগে (পিবা)।

খোমৈ :- (থকপা) হাওরে হাওরে ময়েক শেংনা হাওরে। কদাইনো য়োৎপাক্তু অমুক্তা পুথোরকউ, মনিং ইংখোলদা আলু থাফম অমুক্তা শেল্লুগে।

ইবেসনা :- কৈনো নুংশা শাগৎলক্লাকানসিদা লৈবাক তৌরুগে হায়রিসিবো, ঙসিদি য়াম কা হেন্না শাদৌসু মাল্লি।

খোমৈ :- ঙসিদি সন্দেনি, ওফিসসু শুতি ওইরবনিনা ইংখোলসে ইহাং হাংনা লৈদৌ শরুক করি করিনো থাবা য়াবা খরদং থাহৌনবা শেমজিন-শাজিনগে হায়বনিদা, ঐখোয় স্বাইসিদবু ইংখোল চাওনা ফজনা লৈবা কনাবু লৈরিগে, ৱাংলা ৱাংলবা বিল্ডিং মথোন-মথোন, কৃক-কৃক ইন্ননা লৈরবা মফমনি।

ইবেসনা :- হোইনে অদুবুদি চুম্মী মোয় তাচৌ, ইংখোল মরাং কায়না লৈরিসে ঐখোইদা ঙাইরেকো, হন্দক্তি নেমতক নেমতক মহৈসু য়াম্না পানবা হৈনৌ চারা খরসু থাহৌরসি। ঐ য়োৎপাক লৌথোক্লুখিগে (চঙখিবা)।

সনায়াইমা :- তাচৌ লুপা ১,০০০ খক্তা পীয়ুবা।

খোমৈ :- করি তৌনবা পৈশানো? কৈদৌনগে হায়রিবনো? ঙসাই অযুক ঙস্তাদগী থোকখিবদুনা হৌজিক্তা হঞ্জিল্লকইসিনা কদায়দা চৎলুরিবা?

সনায়াইমা :- ঐখোয় ইমান্নবশিং পুনশিল্লগা ফিটনেস সেন্তর অমা হাংশিরা হায়দুনা মফম য়েংবা চৎলুবনি অদুগা পৈশাদুবুদি লাইরিক লমখক লৈগে তৌবনিদা।

খোমৈ :- অদুদি য়াম্না ফবা ৱাফমনি, পৈশাদুনা নতৈমদগী হেক লৌখরো।

ইবেসনা :- য়োৎপাক হায়দু লৈজরে, করি পৈশানো হায়নরিদুবো?

সনায়াইমা :- লাইরিক অমখক লৈনবা পৈশা পীয়ু হায়বনিদা।

ইবেসনা :- হোয় হোয় পীরগা লোইরেদনা, অফবা থবক তৌবগীদি ইতৈমনা ইনাওগী পৈশা ৱাৎতনবা পীগনি।

খোমৈ :- ঐ ঙহাক লৈবাক তৌরুখিগেকো।

সনায়াইমা :- ঐ হয়েং ওইনা তৌরগে লৈবাক্তো, তাচৌ অমুক তৌরুরনু।

খোমৈ :- ঙহাক পোৎথা পোৎথা সুম তৌরুগে তৌবনিদা (চৎখিবা)।

ইবেসনা :- নুংশানগা শাগৎলকপনে পংকুই কুইবিরক্কনুকো, ঐ চাকসু লোইদৌরবনি (লাওহৌবা)।

-ম্যুজিক-

সনায়াইমা :- ইতৌমা চাক্তু লোইরদি ঐগী শরুক হান্না খরা কোৎপীরকও, ঐ থবক অমা চৎতৌ লৈ, থেংখ্রনি।

ইবেসনা :- সে সে চাক হায়দু শিাদ লৈরেসে চাথোকও, কাংহৌদি খরা মুনদৌ ৰাৎলি।

মংলেম :- (মপান্দগী কৌরকপা) খোমৈ ... খোমৈ ... কনা কনা লৈগে য়ুমশিবু মী লৈবিবরো?

ইবেসনা :- হো কনা ওইবিরবনো ? (মনুংদগী খুল্লকপা) , হায়মা তামো মংলেম ওইরে, কাখৎপিরকও হেক্তা, চৌক্রিসিদা ফম্বীয়ো... আ ইবেন্মসিনা কনা?

মংলেম :- ঐগী ইচলনুপী, মবুং অহুমগী মনুংদা অমখক্তং য়াওজবী লাংলেনসনানে।

ইবেসনা :- হায়মা ঐদি খঙ্ডুদরে, ইচলদি লৈশাবী ফারম্মে, সে সে সিদা ফম্মুসে।

লাংলেনসনা :- হোয় ইনম্মা, ঐখোয় তামোচৌগা থবক অমা চৎমীন্নরুবনি, হল্লকপদা ইনম্মহোয়দা চঙলুখিসি হায়দুনা চঙলকইনি।

মংলেম :- ঐখোয় মরুপ খোমৈবু লৈতব্রা? উনদবা কুইমনখ্রবদুদা ঙসিদি হেক্তা উন্নরুরগে হায়দুনা চঙলকইনি।

ইবেসনা :- আ মনিংলোমদা করি করিনো মনা-মশিং খরা থানবা হায়দুনা ঙসাইদগী লৈবাক তৌরি।

মংলেম :- এ ! করিনোনে নুংশা হায়গৎলকঅকানসিদা লৈবাক তৌরি হায়রিসিবো?

ইবেসনা :- ইবুংঙো... ইবুংঙো সনায়াইমা নঙবু চাক চাবা লোইরবরো?

সনায়াইমা :- লোইরে ইতৌমা।

ইবেসনা :- অদুদি নোয় তাচৌদু অমুক্তা কৌরু লাউ।

সনায়াইমা :- (থোরকপা) হায়মা লাংলেনসনা নঙদি কনাগা লাকইবা?

লাংলেনসনা :- ঐখোয় তামোচৌগা লাকইনে, সিদা ফম্মীসে উদ্রবরো?

সনায়াইমা :- (ইকাইবা) ইহে, ঐ উজহৌদরে তামোচৌ।

মংলেম :- য়াইদা য়াইদা কৈসু কাইদেদা, নঙবু ঐখোয় লাংলেনসনাগা হান্না খঙনবরো?

সনায়াইমা :- হোয় তাচৌ, ঐখোয় অনি কোলেজ অমতদা পুন্না তম্মিন্নবনি, অদুদি ঐ, ঐখোয় তাচৌ কৌরুখিগে।

ইবেসনা :- লাংলেনসনা ইচলদি কোলেজ লোইশিল্লগা মখাদি করি ওইনা তমথগে খল্লিবা?

লাংলেনসনা :- ইনন্মা ঐদি ইনভাইরোলমেন্টেল সাইন্সতা মষ্টর তৌগে খল্লিয়ে।

মংলেম :- হৌজিক্কী হোংলক্লিবা ইনভাইরোলমেন্ট অসি কন্ননবা হোৎনবদা ইনভাইরোলমেন্টেল সাইন্স হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই খন্দুনা ঐনসু ইচলনুপীসি ইনভাইরোলমেন্টেল সাইন্টিষ্ট অমা ওইদবা য়াদে হায়দুনা কন্না হায়রিবনি।

ইবেসনা :- অদুদি য়াম্না ফবা ৱাফমনি তামো, ঐখোয় সনায়াইমসিনা করি তৌহৌহনদোইনো খঙদরে, মাদি শান্ন-খোৎনবরোমদনা হেন্না পুক্লিং চংবদৌনা তৌই।

মংলেম :- শান্ন-খোৎনবসু য়াম্না ফৈ, হৌজিক্তি স্পোর্টস ইডুকেসন হায়বসি য়াম্নাক মরু ওইরবনি।

সনায়াইমা :- (কন্না কৌরকপা) ইতৈমা,... ইতৈমা... ঐখোয় তাচৌসে ৱানথখরে অমুক্তা থুনা লাকও সোমদা।

ইবেসনা :- (পাখৎনা) কৈনো হায়রিসিবো? ... নোয় তাচৌ কৈদৌরে হায়বনো (চৎনখিবা) ।

মংলেম :- হায় খোমৈবু কৈদৌরে হায়বনো (পাখৎনা) ... লাকও ইবেন্মা ঐখোয়সু অমুক্তা য়েংলুসি লাকও।

লাংলেনসনা :- হোয় তামোচৌ... লাকও চৎসি লাকও (পাখৎনা চৎনখিবা)।

ইবেসনা :- (কপ্পা) কৈনৌ মোয় তাচৌ তৌরিসিবো ... মোয় তাচৌ ... মোয় তাচৌ ... ।

মংলেম :- ঙাইখো ইবেসনা অমুক্তা পাখৎখিগনু করিসু তৌরোই, ঐ অমুক্তা য়েংগেসে। ইবেন্মা লাংলেনসনা এম্বুলেন্স অমুক্তা কৌ, য়াম থুনা হোস্পিটালদা অমুক্তা পুনবা তৌসি।

লাংলেনসনা :- হোয় তাচৌ ...

সনায়াইমা :- তাচৌ ... তাচৌ ... সে তাবরা ... তাচৌ (পাখৎনা কৌবা)

(এম্বুলেন্স লাকপগী মখোল)

-ম্যুজিক-

(মফম:- হোস্পিটাল, মীয়াম চৎথোক-চৎশিন তৌবগী মওং, মী অমগা অমগা ৱারী শানবগী খোঞ্জেল)

সনায়াইমা :- ঙসি তামৌচৌগা লাংলেনসনাগা ঐখোয়দা লাক্লমদ্রবদি ইতৈমগা ঐগদা তৌফম অমা খঙলম্মোইদৌবনি।

লাংলেনসনা :- তাচৌ খোমৈবু হান্না সুমাইনা হেক হেক ৱান্থবরা?

ইবেসনা :- ইবেন্মা ঙসিগী মতৌ অসে মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রি, হন্দক্কীসিনা অহানবনি।

মংলেম :- হন্দক্তি শাবগী চাং অসিসু য়াম্না হেনগৎলকঅবনি, ঐখোয়গী লমদম অসি হৌজিক সেলসিয়স ডিগ্রি নিফুগী ময়া য়ৌনা শারবনি অদুনা নুংশাদা মতম শাংনা থবক সুবা, লন্বী শোরোক্তা চৎপা মতমদা কা হেন্না চোকথবা, ৰাবা অদুগা ৰান্থবা ফাওবা য়াওরনরবনি।

লাংলেনসনা :- ঙসি তাচৌনা খঙহৌদনা খঙৱান ৰান্থরক্লিবসিগী মওংসি হিট ষ্ট্রোক নত্রগা সনষ্ট্রোক হায়রিবা অসি ওইরমগনি।

সনায়াইমা :- ঐনসু লৈবাক্তু তৌরুরনু, ঐ ওইনা হয়েং তৌরগে, নুংশাসু শাগৎলক্লে মহায়বনি, ঐখোয় তাচৌসিসু হায়না-তানা কয়া য়াদে।

মংলেম :- ফরে ফরে হৌখ্রবদি হৌখরে, মতুংদা অমুক থোক্তনবা চেকশিন্নবা হায়বদুনি। দোক্তরনসু করিসু তৌররোই পাখৎনিংঙাই ওইদরে হায়রবনিনা করিসু তৌররোইদা।

খোমৈ :- (স্বর শাংনা হোন্থরকপা) ইবেসনা... ইবেসনা ঐখোয়না হৌজিক লৈরিবসিবু কদাইদনোনে?

ইবেসনা :- মোয় তাচৌ ঐখোয়না হৌজিক লৈরিবসে হোস্পিটালদনে হোস্পিটালদা।

খোমৈ :- হা ... ঐখোয়দি সিদা করি তৌবা লাক্লিবা ? ঐবু ভাব অমা ইতা তাদরেনে।

সনায়াইমা :- তাচৌ ৰা য়াম ঙাংবীখিগনু, তাচৌগী হকচাং অদু য়াম্না শোল্লিবনি, লৈবাক সুম তৌরন্বদগী ৰান্থদুনা হোস্পিটালসিদা ময়াম চঙদুনা পুখৎলক্লিবনি।

মংলেম :- ভাই ! ... লাংলেনসনা ইবানিসু নখোয়দা নঙগা অমুক্তং উনদুনা ৰা খরা তান্নগে হায়দুনা লকপদা, নঙ ৰান্থরকপা থেংনদুনা হোস্পিটালদা নঙবু পুরকপা য়াওরকইবনি।

লাংলেনসনা :- তাচৌ হৌজিক্তি ইশা খরা নুংঙাইরেকো।

খোমৈ :- উম খরা নুংঙাইরে, তাচৌ কৈসু তৌররোইদা। (তাঞ্জাসিদা এটেন্দেন্ট অমনা লাও লাওদুনা চংঙকপা)

এটেন্দেন্ট :- অনাবগী মনাক্তা মী পুল্লপ-পুল্লপ পুনশিন্দুনা লৈবীগনু, মপান্দা থোকপীরো ... মপান্দা লৈবীয়ো... তঙাইফদবা অমা অনিদং লৈবীহৌ ... ময়াম মপান্দা অমুক্তা থোকপিখরো।

সনায়াইমা :- লাংলেনসনা ! লাকও ইবানি আ ৰাইটিং সেদতা ঙহাক্তং ফমলুসি লাকও।

লাংলেনসনা :- তামোচৌ ঐখোয় ঙহাক্তং মপান্দা লৈরুরগে।

মংলেম :- হোয় ... হোয় ... অদুগা ঐখোয়সু ঙহাক লৈরদি হন্ননবা তৌরসি।

ইবেসনা :- সনায়াইমা হোরেল নবানিনা চংলকপদা ঐখোয়না থক্লনবা চারা কোফিরা খরা পুরকউ।

সনায়াইমা :- হোয় ইতৈমা, লাকও লাংলেনসনা (চৎখিবা)।

খোমৈ :- মংলেম ! ঙসিদি নঙসু তাঞ্জা চাদনা ঐগী ইনাক্তা লাকপদগী পংৱা হেক ৱারেদো।

মংলেম :- করি ৱারুদগে ভাই, সে ৱাদু য়াম ঙাংগনু ঙহাক ফজনা পোত্থারো, হৌজিক কাপ্পিবা দ্রিপসি হেক লোয়বগা য়ুমদা চৎপা য়ারনি হায়না দোক্তরনসু হায়রকঅবনি।

ইবেসনা :- ঙসিগী মোয় তাচৌগী মওংদুদি ঐদি পাখৎপনা লোয়রুরবনি, সুমাইনা অমুক মীরোল তারক্কনি থাজরুদ্রবনি, তামো মংলেম য়াওরমদ্রবদি ওন্থোক্লা ৱারমখ্রনি ঐখোয়।

মংলেম :- সিদগীদি ভাই নুংশা য়াক্লা শাগৎলকপা মতমদা নুংশাদা থোক্তুনা মতম কুইনা থবক শুবগী হৈনবীসি তোকপা তাবা, চহি য়াঙ্খেগী মথক্তা লৈরবা মীওইশিংদনা সনস্ট্রোক থোকপগী চাংসে খরা ৱাংঙিকো।

খোমৈ :- হোয় মরুপ সিদগীদি ঐ ভাব তারনিদা।

-ম্যুজিক-

(মফম:- হোস্পিটালগী ৱাইটিং সেদ, মীয়াম কোইরাং লাংবগী খোঞ্জেল)

লাংলেনসনা :- ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদদি ঐখোয় স্বাইসে সুমাইনদি শারমদবনিকো।

সনায়াইমা :- উম শারমদে। অইংবা অমমম ওইনা থল্লসি, শাবসিদা চা-কোফি থল্লগুমসিদা।

লাংলেনসনা :- হোয় অইংবনা ফরে, অদো লসি ওইনা থকসি।

সনায়াইমা :- উম ঐ লৌরকঅগে, নঙ সিদা সুম ফমলম্মু।

লাংলেনসনা :- হোয়, ... ইস ! মফমসিগী গাড়ী পার্কিংসিদা খামলিবা ফোর হুইলর গাড়ীগী মশিংসিদি ওন্থোক্লা য়াল্লেদা। লম্বী শোরোক্তা খোঙনা চৎপা মীগী মশিংদগীদি কার, জীপ, মোটোর সাইকল, স্কুটর, বাইকনচিংবা তোংদুনা চৎপা মীগী মশিংনা য়াম্না হেল্লে ... গাড়ীশিংসিদগী থাদোরকপা গ্রিন হাউস গ্যাসশিং মরুওইনা কার্বোন দাইঅক্সাইদ, নাইত্রস ওক্সাইদ, মিথেননচিংবশিং অসিনা এটমোস্ফিয়ার অসিদা কা হেন্না য়াওশিনখিদুনা গ্লোবেল ৱার্মিং অসি থোকহল্লক্লিবনি (মতোমতা শোঞ্জবা)।

সনায়াইমা :- সে লসি থকওসে, কৈনো নতোমতা মুরুম-মুরুম শোল্লমলিদুনা, কনানা করি তৌরকঅগে।

লাংলেনসনা :- হুম ! কনাসু করিসু তৌরক্তেদা।

সনায়াইমা : (লসি থক্লা থক্লা) অদুদি কৈদৌরবা?

লাংলেনসনা :- য়েংঙুনে নঙসু মফমসিদা খাল্লিবা গাড়ী ময়ামসে (শাওনিংলপ)।

সনায়াইমা :- অদুবু কৈদৌরগে হায়বনে নঙবো, ঐনা ঙহাক্তং লসি লৈবা চৎলিঙৈদা নঙবু ভুৎ প্রেতকা ওক্করব্রা হায়বা নতোমতা পংশাওদা শাওরিদুবো (নোক্লগা হায়বা)।

লাংলেনসনা :- (কল্লপ হায়বা) হো ভুৎ প্রেত ওক্কবদুনবু হেন্না ফৈ, ভুৎ প্রেততগী শাথিবা অমা ওক্করবা।

সনায়াইমা :- এ ! অদুদি করি ওইনা ওক্করবা?

লাংলেনসনা :- কৈসু নৎতে, গ্লোবেল ৱার্মিং গী ইশু ময়াম অমা হৌজিক ঐখোয়না মায়োক্নরক্লিবশিং অসি সুম খল্লুবনি।

সনায়াইমা :- (স্বর শাংনা হোন্থরগা) উম চুম্মী, নঙনা খল্লিবশিং অদো, অদুবু মসিদি নঙ ঐতগী ওইবা ইশু অমদি নত্তে, মালেম অপুনবগীনি।

লাংলেনসনা :- অমুক্তা খন্দুনা য়েংঙুনে নঙসু, হৌজিক মালেম পৃথিবী অসিদা লৈরিবা অপুনবা মীগী মীশিং অসি বিলিয়ন ৭.৫ য়ৌরে হায়বা।

সনায়াইমা :- উম য়ৌরে, মীশিং হেনগৎলকপগী মতিক চান্নবা চীঞ্জাক, লৈননবা য়ুম-কৈ অসুম অসুম দরকার লৈবগী চাংসু হেনগৎলকই।

লাংলেনসনা :- অদুদসু নৎতে ঐখোয় মীওইবনা নুংঙাই য়াইফনা হীংনবগী লন্বীদা নোংমা নোংমগী খুৎমাং চাওশিল্লকপনা মরম ওইরগা মহৌশাগী লৈজরম্বা শকলোন কয়া অসুম অসুম মাঙহল্লকই, মসিবু চাওখৎপগী মওংনি হায়গদৌরিবরা?

সনায়াইমা :- ফরেসে, লাকওসে ইতৈমাহোয়না ঙাইদুনা লৈরল্লগনি, চৎলসি লাকও।

লাংলেনসনা :- উম চৎলসি।

-ম্যুজিক-

(মফম: মংলেমগী য়ুম, মতম:- নুমিদাং অথেংবা)

মংলেম :- (মথন্তা ঙাঙজবা) ঐগী হন্দক্কী সেমিনার টোপিক অসিগী মমিং অসিবু করি ওইনা থোনসিগে ... উম ... দি সাইন্স/ফেনোমেনা ওফ গ্লোবেল ৱার্মিং... ... আ সুমাইনা হেক্তা থোল্লগে।

লাংলেনসনা :- তামোচৌ চাক লোইরে চাক চাথোকঅসিরা।

মংলেম :- ঙাইখো সিদা অমুক্তা ফম্মুসে তামোচৌগা কৈনোম্মা সুম তান্নসি।

লাংলেনসনা :- কৈনো তামোচৌ, কৈদৌরগে, কৈনো তান্নসি হায়রিবো?

মংলেম :- হেরা কৈসু নৎতেদা, তামোচৌননে ঐখোয় কোলেজ দিপার্টমেন্টকী ওইনা নেসনেল সেমিনার অমা ইউ.জি.সি. গী শেন্থং মখাদা পাংথোক্কে খল্লিয়ে, অদুগী টোপিক সুম খল্লম্বনিদা, নঙোন্দসু য়েংহনগে তৌবা।

লাংলেনসনা :- কদায়নো করি টোপিক মমিংনো হায়বা।

মংলেম :- হৌজিক মালেমগী ওইনা গ্লোবেল ৱার্মিং থোরক্তুনা শাবগী চাং অসুম-অসুম হেনগৎলক্লিবসি করিদগী থোরক্লিবনো, কমায়না ওইরক্লিবনো, মসিদগী করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বসি ঐখোয় মীয়াম পুন্না খঙমীননবা হায়বসি য়াম্নমক দরকার ওই।

লাংলেনসনা :- অদুবুদি য়াম চুন্মীনা। অদো মমীংদো করি হায়না থোনদোইনো হায়বা।

মংলেম :- দি সাইন্স/ফেনোমেনা ওফ গ্লোবেল ৱার্মিং, সুমাইনা হেক্তা থোল্লগে।

লাংলেনসনা :- হোয়, তামোচৌনা খল্লিবা টোপিকতু হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ঐখোয়গী লমদম অসিগী হোংলক্লিবা অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী ফিভম অসিগা য়াম্না চান্নরে।

মংলেম :- মালেম অসিগী শাবগী চাং অসি অসুম লেপ্তুনা তপ্না-তপ্না ৱাংখৎলক্লি, ঙসিদগী চহি ১৫০ রোমগী মমাংদা ওইরম্বা টেম্পরেচরগী চাংদগী হৌজিক সেলসিয়স ডিগ্রি ০.৭৪ রোম শাবগী চাং হেনগৎলে।

লাংলেনসনা :- মালেম অসিগী শাবগী চাং অসুম অসুম হেনগৎলক্লিবা অসিবুনিকো ঐখোয়না গ্লোবেল ৱামিং হায়রিসে।

মংলেম :- উম য়াম চুম্বা ৱাফমনি। ঐখোয় মীওইবগী থবক থৌওং কয়ানা এটমোস্ফিয়ারদা গ্রিন হাউস গ্যাসশিং য়াওবগী চাং অসি য়াম্না ৱাংখৎহল্লে।

লাংলেনসনা :- তামোচৌ ! হায়রিবা গ্রিন হাউস গ্যাসশিং অসিনা নুংশাগী মঙাল, ইনফ্রা রেড রেডিএশন কা হেন্না চুপশিন্দুনা গ্রিন হাউস ইফেক্ট থোকহন্দুনা মালেম অসি শাবা হেনগৎহনলকইনিকো।

মংলেম :- য়াম্না চুন্মী, ইচলদি য়াম্না খঙলমলেনা।

লাংলেনসনা :- অদো তামোচৌ ঐনা খঙদবা ৱাফম অমখক্তি লৈরিয়ে।

মংলেম :- করিনোনে ইচলনা খঙদ্রিবো, তামোচৌনা খঙবা ওইরবদি তাক্লগা লোইরেদনা করিনো হায়য়ুনে।

লাংলেনসনা :- অদুবুরো তামোচৌ ঐখোয়না হৌজিক গ্লোবেল ৱার্মিংগী মরমদা য়াম তোইনা তোইনদি ঙাংনরে,খন্নরে অদুবু গ্লোবেল ৱার্মিং হায়রিবা অসি ইহান হান্না হায়রম্বা ক্লাইমেট চেঞ্জগী মরমদা থীনজিল্লম্বা মীশক অদু কনানো হায়বদুসু খঙনিংঙি তামোচৌ।

মংলেম :- (খিত্তং নোক্লগা) ইচলনা মালেমসিদা ওইরক্লিবা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ গী মরমদা পুক্লিং য়াম্না চঙনা খঙনিংবা পোক্লিবসি ইবুং য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। গ্লোবেল ৱার্মিং হায়বা ফ্রেজ অসি ইহান হান্না মীয়ামদা খঙহনবা হৌরকখিবা সাইন্টিষ্ট অদু কনানো হায়বদুসু ইবুং হায়গেকো।

লাংলেনসনা :- কনানো হায়বা, খঙনীংবনা লোইরে ঐদি।

মংলেম :- নঙনা য়াম্না খঙনিংলিবা মীওই অদু অমেরিকান জিও ফিজিসিষ্ট, ডা. ৱালাস স্মিথ ব্রোকর হায়রিবা মীওই অদুনিকো। মহাক্না ইং ১৯৭০ গী অঙনবা মতমদগী হৌনা মীয়ামদা গ্লোবেল ৱার্মিং অমদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী মরমদা খঙহনবা হৌরকখি। মহাক্না এটমোস্ফিয়ারদা কার্বোন ডাইওক্সাইদ কী চাং য়াম্না য়াওরকপনা মরম ওইরগা মালেমঅসি শাব হেনগৎলক্লিবনি হায়বসিসু হায়রম্মী।

লাংলেনসনা :- তামোচৌ মহাক হৌজিক মালেমসিদা হিংদুনা লৈরিব্রা?

মংলেম :- প্রোফেট ওফ ক্লাইমেৎ চেঞ্জ, গ্রান্দফাদর ওফ ক্লাইমেৎ সাইন্স, দিন ওফ ক্লাইমেৎ সাইন্টিষ্ট অমদি ফাদর ওফ গ্লোবেল ৱার্মিং হায়না মীংথোল কয়া ফংলবা মীওই অসি মশাগী চহি ৮৭ শুরকপা মতম ইং ২০১৯গী ফেব্রুৱারি তাং ১৮দা লৈখিদরে।

লাংলেনসনা :- মখোয় লাইপোকুম্লবা মীওই কয়া অসি মালেমসিদা পোকপীরম্বনা ঐখোয় মীওইবনা মালেমসিদা হীংদুনা লৈবা ঙম্লিবনিকো।

মংলেম :- উম য়াম চুম্লবা ৱাফমনি, ইহে পুংসে আ য়ৌশিনখরে চাক চাথোক্লবা তৌরসিদনা।

লাংলেনসনা :- হোয় তামোচৌ ঐ চাক পুথোরক্লগে (ফোন রিং লাকপা, চঙখিবা) কনানো অসুক থেংলকানসিদা ফোন অমুক তৌরকইসিনা, হল্লো ... হল্লো .... আ কনা...?

সনায়াইমা :- ঐনে খঙদ্রবো ... সি ঐগী ফোন নম্বর অনৌবনে।

লাংলেনসনা :- হায়মা নঙ ওইরে সনায়াইমা, কৈনো হৌজিকপু ফোন তৌরকইসিবো ?

সনায়াইমা :- নঙনদি সুংতৌ তৌরক্তরে অদুদা তৌরকইনি কৈনো, ঐখোয় তাচৌগা ইতৈমগনা নঙতা শোন লৈরবনি, লাক্তরে লাক্তরে হায়দুনা, কৈদৌঙৈ লাক্তোইনো হায়রকও।

লাংলেনসনা :- লাকঅগা কৈদৌদোইবা, করি পীজগে হায়রিনো?

সনায়াইমা :- চানিংবদা হায়য়ু, লোয়না পীজগে।

মংলেম :- হায় ইবেম্মা কৈদৌরগে নঙবো চাক লৌরুনি হায়দুনা চঙখ্রগা সুংথোক থোক্লকত্রিদুনা, কৈদৌরগেনে।

লাংলেনসনা :- (পাখৎনা) কৈসু তৌদে তামোচৌ, লাকএ, লাকএ, পুরকএ, পুরকএ।

-ম্যুজিক-

(মতম:- অয়ুক, মফম: খোমৈগী য়ুম)

খোমৈ :- ইবেসনা নঙবু কৈদৌরিগেনে, সিদা মাঙ্গোলসিদা থোরকউ লাওনে, ইমুংদা অদুম শুরু শুরু নৈশিন লৈরিদুবো।

ইবেসনা :- (ঙাংনা ঙাংনা থোরকপা) মোয় তাচৌনা চানবা হায়দু না অৱাথবী অমুনবসে খোকউবনি, সে সিদা থন্মগে, চারোসে।

খোমৈ :- নঙসু চারোদনা, ঐগীদি মশুং অমনা য়ারনি।

ইবেসনা :- ঐদি অৱাথবী অমুনবা চাবা হৈনদে, নহানখৈসু অদুম চাদ্রিদুনি, মোয় তাচৌ লোয়না চাশিনবীরো।

খোমৈ :- অফবা পোৎতি নঙদি অমতা চাবা হৈনরোই, নঙগীদি শিংজু বোরা কাংহৌনি হায়রবদি ঙসাইনা চোংশিন্দুনা চাখ্রনি।

ইবেসনা :- কৈনো মী মীগী হৈনজবী হায়দুনি, হকচাং খরা নুংঙাইরকঅবনিনা খৎনবা অমুক হৌবিরকঅবরা?

খোমৈ :- খৎনবা হৌবগী ৱা নৎতেনে, অচুম্বদুবু হায়বনি, অদুদা নঙনা অদুক শাওনিংঙুরিদুবু নঙসিদি ওন্থোকপা হায়দুনি। থোঙ্গালদা গাড়ী থৌজিল্লকইসিবু মংলেম নৎত্রনে, মানিদা ... আ ইচল লাংলেনসনাসু য়াওরকইনে, ফরেদা মখোয় উনিংদুনা লৈরম্বনি।

মংলেম :- (গাড়ীদগী কুমথরকপা) হকচাং খরা নুংঙাইরবা নৎতরো, নহালদগী ঙহাক্তা লাক্কে তৌবসু অদুম ঙমদরে থবক ময়ামসিনা, ঙসিদি হেক্তা চৎলুরগে হায়দুনা ফুক হৌগৎলগা ইচলনুপী পুরগা লাকঅবনি।

খোমৈ :- ঐসু নখোয় উনিংদুনা লৈরম্বনি, নখোয় লাকপা তান য়াম চারে।

ইবেসনা :- তামো সে চৌক্রিসিদা হেক্তা ফম্বীরো, ইবেম্মা ইচলনা সিদা ইনম্মগী নাকসিদা হেক্তা ফল্লরো লাকও।

লাংলেনসনা :- হোয় ইনম্মা, ইনম্মবু চাক থোংলবো?

ইবেসনা :- থোংদ্রিদা, তপ্না থোংলগে হায়দুনা লৈথোক্লবা। (সনায়াইমা শুকথরগা চংঙকপা উবা) হায়মা ইবুংঙো কৈদৌরে নঙদি শুকথরগা চংঙকইদুনা?

সনায়াইমা :- তামোচৌহোয়সু লাকপিরম্মী। ঐ ঙসিদি ওন্থোক্না নুংঙাইখিদ্রবা থৌদোক অমা থেংনরকই।

লাংলেনসনা :- করি থেংনরক্লগে, কৈদৌরগে নঙবো?

খোমৈ :- করি থৌদোক্লোনে নঙনা অদুক নুংঙাইত্রিবদুবো?

| | | |
|---|---|---|
| সনায়াইমা | :- | চহি অহুম্মুক্কী অঙাং নুপামচা অমা মপানা কার মনিংদা তোংহল্লগা পুরকঅগা গাড়ী পার্কিংদা গাড়ীদু পার্ক তৌশিল্লিঙৈ তাঞ্জাদুদা ফোন অমা হেক লাকশিনবাজাৎনি, অদুদগী ফোন্দা ৱারী সুম শান্নবদুদা মচা য়াওরকই হায়বদু কাওথোক্তুনা কারদু লোক তৌশিল্লগা থল্লম্লবজাৎনি। |
| ইবেসনা | :- | (পাখৎনা) অদুদগী কৈদৌরবা? |
| সনায়াইমা | :- | অদুদগী পুংমুক্কী মতুংদা মপাদুনা অঙাং কার মনুঙদা য়াওহৌবদু নিংশিংলক্তুনা চেন্না চেন্না লক্লগা কারদু হাংদোকপদদি অঙাং অদু চপ তিংদুনা শিরগা লৈরম্মেদনা। |
| খোমৈ | :- | ইস ! ওন্থোকপনিদা, নুংঙাইতেদো। |
| লাংলেনসনা | :- | অসুম্না চেকশিলহৌদবা তাঞ্জাদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোক্লিবনি। |
| মংলেম | :- | ইং ২০১৮ দা ইউনাইটেদ ষ্টেটতা কার মনুঙদা মমা-মপাশিংনা কাওথোক্তুনা থোং লোনশিল্লগা থল্লম্লবদগী অঙাং তরুক মপুন্সি মাংখি, ঐখোয় স্বাইদসু অদুগুম্বা থৌদোক্তু থোকপা হৌরকঅবোরে। |
| ইবেসনা | :- | কার মনুংদুদা পুংমুক্তং থোং লোনশিল্লগা থনম্লবদুদা অঙাং অদু অদুক থুনা শিরম্মীবদু করমহায়না তৌরিবাজাৎনো? |
| মংলেম | :- | হৌজিক্তি নুংশাসু য়াম্না কা হেন্না শাবা মতমনি, কারগী গ্লাস অমদি অতৈ অতোপ-অতোপ্পা মেটেল, এল্লোইশিং অদুদা নুংশা মঙাল কা হেন্না চুপশিনখিদুনা অমদি অমুক মপাল্লোমদা থাদোরকপা ঙমদবদগী কার মনুং অদু কা হেন্না শাবদগী অঙাং অদুগী মশা অদু হায়পরথরমিয়ানা মরম ওইরগা শিরিবনি। |
| লাংলেনসনা | :- | হৌজিক ঐখোয়গী এটমোস্ফিয়ার অসিদসু গ্রিন হাউস গ্যাসশিং মরুওইনা কার্বোন দাইওক্সাইদ, চাং য়াম্না হেন্না য়াওরকপদগী নুংশাগী মঙাল কা হেন্না চুপশিন্দুনা মালেম অসি অসুম অসুম শাবা হেনগৎলকইবনি। ঐখোয়না এটমোস্ফিয়ারদা কার্বোন দাইওক্সাইদ য়াওবগী চাঙ অসি হন্থহন্দবা তারবদি ঐখোয় পুম্নমকসু ঙসি অঙাং অসিদা তাখ্রিবা দশা অসিগুম্না নোংমদি শোয়দনা তারগদবনি। |
| মংলেম | :- | ভেনশ হায়রিবা প্লানেট অসিগী এটমোস্ফিয়ারদা কার্বোন দাইওক্সাইদকী চাং কা হেন্না য়াওবা মরমনা নুংশাগী মৈশা কা হেন্না চুপশিন্দুনা গ্রিন হাউস ইফেক্ট থোকহন্দুনা সেলসিয়স ডিগ্রি ৪৬৫ রোমগী চাং য়ৌনা শাই, ঐখোয়গী মালেম পৃথিবী অসিসু গ্রিন হাউস গ্যাসশিং অসি এটমোস্ফিয়ারদা য়াওবগী চাং অসি অসুম হেনগৎলক্লবদি ভেনশকুম্না ওইরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। |
| ইবেসনা | :- | ইস ! খল্লুরগা সুম সুম কিশিল্লক্লেবো ঐদি। |

খোমৈ :- মালেম অসি কনগে হায়রবদি ঐখোয় মীওইবশিং অসি গ্যান তামিন্নদুনা অমতা ওইনা খোঙথাং কয়া লৌখৎপা তঙাইফদরে।

সনায়াইমা :- তামোচৌ ঐখোয়না তুংগী মীরোলশিংগীদমক খল্লগা মালেম অসি কনদবা য়াদবনি।

ইবেসনা :- ৱারিদা ঐদি চা লোনবগা পুমকাও হেক কাওরুরে, তামো ঐ চা অমুক্তা লোনজরকখিগে।

মংলেম :- চাগা অমতা লোল্লুরনু, নোংমা থল্লসি, ঐনা হায়গে খনবা ৱাদি হৌবু হৌদোক্তরি ঙসাইদগী।

খোমৈ :- করি ৱাফমনো মরুপ?

মংলেম :- ঐনা গ্লোবেল ৱার্মিংগা মরি লৈননা সেমিনার প্রোগ্রাম অমখক শিনগে খল্লি।

সনায়াইমা :- অদুদি য়াম্না ফবা থবক্নি তামোচৌ।

লাংলেনসনা :- ঐখোয় তামোচৌগী হন্দক্কী সেমিনার অসিদি স্কোলরখক্কী তৌগদবা সেমিনার নৎতে।

ইবেসনা :- অদুদি করমহায়না তৌগদবনো?

মংলেম :- এন. জি. ও গী মীওইশিং, ক্লব, এসোসিয়েসন কয়াগী মীওই পুম্নমক সুনা য়াওগদবা সেমিনারনি। ঐখোয় ময়াম পুন্না হোৎনমিন্নদুনা মালেম অসিবু গ্লোবেল ৱার্মিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা খোঙথাং কয়া পায়খৎমিন্নরসিকো।

-ম্যুজিক-